# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 07-04-2024)**

**মীখল (এল)ঃ** চহি ৮৫ গী মথক অমদি চাদা ৪০ দগী হেন্না দিসএবল ওইরবা ভোটরশিং য়ুম য়ুমদগী ভোট থাদবা য়ানবা থৌরাংগী শরুক অমা ওইনা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী ওইনা অহানবা তাঙ্কক্কী ওইনা ঙসিদগী থা অসিগী ১২ ফাওবা অদুগা অনিশুবা তাঙ্কক্কী ওইনা থা অসিগী ১৫ দা পোল্লিং ওফিসারশিং, মাইক্রো ওবজাভর অমদি ভিদিও গ্রাফরশিংনা অকনবা ঙাকশেল থৌরাংগা লোয়ননা হায়রিবা ভোটরশিং অসি য়ুম য়ুমদা চৎতুনা পোষ্টেল বেল্লোটশিং পীবা অমদি লৌশিনবগী থবক চখ্‌গনি।

জিলা অসিগী দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসার-খুমন্থেম দাইনা দেবীনা থোকপা চেরোল অমনা হায়-ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী ওইনা হায়রিবা থবক অসি পোল্লিং ওফিসার অনি, ভিদিও গ্রাফর অমা, মাইক্রো ওবজাভর অমা অমদি খুৎলায় পায়বা সেক্যুরিতি পার্সোনেল য়াওবা তোঙান তোঙানবা পোল্লিং টিম ৩০ না চখ্‌গনি।

অমরেমাদা, দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসার কাংপোকপী-মহেশ চৌধরিনা হায়রি-জিলা অদুদা মীখলগী শেম শারিবশিং ইলেক্সন ওবজাভরশিংনা কুপা য়েংশিল্লি।

ই.ভি.এম. অমসুং ভি.ভি. পেথশিং জিলা অদুদা শিজিন্নবগী মতাংদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা শ্রী চৌধরিনা হায়-মীখলগী থবক থৌরমশিং নিয়ম চুমা অরোন অথুপ লৈতনা পাঙথোকপা য়ানবগীদমক টোইন্তি ফোর বাই সভেন-সি.সি.টি.ভি. কভরেজ তৌগনি। মহাকা হায়-স্ত্রোং রুমশিংদা ঙাক শেন্নবগীদমক অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলে।

মীখল পাঙথোক্কদবা নুমিৎ হুমনি-মরিনিগী মমাংদা য়ুম য়ুমদা ভোট থাদনবগী খুদোংচাবশিং ফংহনগনি। মসি পোল্লিং ওফিসিএলশিংগী মমাংদা

ভিদিও অমদি ফোটোনচিংবা লৌদুনা অকনবা ঙাকশেল থৌরাংগা লোয়ননা পায়খৎকনি। চহি ৮৫ গী মথক অমদি চাদা ৪০ দগী হেন্না দিসএবল ওইরবা মীওইশিং য়ুম য়ুমদগী ভোট থাদবা য়াহনগনি। স্বিপকী থবক থৌরমশিং সি.ই.ওশিংগী মখাদা চত্থবগী মতাংদা মহাকা হায়-তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা ভোটরশিংবু নীংথিনা ভাব তাহন্নবগীদমক এৱারনেস প্রোগ্রাম কয়া পায়খৎলি।

লাক্লিবা লোক সভা মীখলদা চুরাচান্দপুর অমসুং সাইকোট বিধান সভা কেন্দ্রদা মথৌ তৌগদবা নুপী পোল্লিং পার্সোনেলশিংগী অনিশুবা তাঙ্কক্কী ত্রেন্নিং ঙরাং চুরাচান্দপুর গভরমেন্ট কলেজতা লোয়শিনখ্রে। জিলা অদুগী স্বিপ নোদেল ওফিসার-বিদ্যামারি শ্রীধরগী লমজিং মখাদা ৱাল ওফ দেমোক্রেসি কৌবা সিগনেচর কেম্পেইন অমসু কলেজ অদুদা পাঙথোকখি।

**থৌরম (এল)ঃ** লমতা থাগী অরোইবা থাংজ নুমিৎতা লৈবাক মীয়ামগী য়াইফনবগীদমক থৌনিজবগী থৌরমগা লোয়ননা শিঙ শৎপগী থৌরম ঙরাং লংথাবালগী হৈবোক চিংদা লৈবা থরোইলোক লাইফমলেনদা পাঙথোকখ্রে।

**এআর (এল)ঃ** অসাম রাইফলসনা শিনদুনা ঙরাং সেন্ট জোসেপ স্কুল-চান্দেলদা মোটিভেসনেল লেকচর প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে।

নহা ওইরিবা মহৈরোইশিংবু ভারত লান্মীদা চংহন্নবা পুকিং থৌগৎপা ওইনা থৌরম অদু পাঙথোকপনি।

**ফুটবোল(এল)ঃ** য়ুনাইটেদ ভেটরান ফুটবোল এসোসিয়েসন মনিপুরনা শিনদুনা মঙাশুবা সঙাই ত্রোফি ভেটরান ফুটবোল চেম্পিয়নসিপ ২০২৪ ঙসিদগী ইন্ফালগী পিশুমদা লৈবা সি.ৱাই.সি.এল. গ্রাউন্দদা হৌরগনি।

ঙসি অহৌবগী মেটচতা ই.এম.ভি.এফ.সি. লমলাইগা আই.ভি.এফ.এ. শিংজমৈগা শান্নগনি।

**পিএমঃ** বি.জে.পি. লুচিংবা অমসুং প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- বি.জে.পি. সরকারগী অহুমশুবা টার্ম লাক্কদবা মতম নকশিল্লক্লে অমসুং টার্ম অসিগী অহৌবগী নুমিৎ ১০০ নিদা শেঞ্জা থুমজা মুখৎনবা ৱারেপ কয়া লোগনি।

রাজস্থনাগী পুস্কারদা ঙরাং মীখলগী মীতিন অমদা ৱা ঙাংবদা শ্রী মোদিনা কংগ্রেসকী মেনিফেষ্টো অদুবু ওইদবা চবুলনি হায়রদুনা দল অসিবু নিতি নিয়ম অমদি থৌশিল লৈতবা দল অমনি হায়না মরাল শিখি। মহাকা হায়-হৌখিবা চহি তরা অসিদা সরকারনা তৌখিবা থবকশিং অদ্ তেল্লরনি। মখা তানা পায়খৎখিগদবা থবক কয়ামরুম লৈরি। কংগ্রেসপু হুল্লদুনা শ্রী মোদিনা হায়-দল অসি ইমুং মনুংগী ওইবা অমদি শেঞ্জা থুমজা চত্থবা দলনি। মহাক্কী গেরেন্টিশিংগী মতাংদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়-মসিদি নুংঙাইবা, ইকায় খুমবা, অকি অখণ্ড লৈহনদবা অমদি নুপীশিংদা শক্তি হেন্না পীবনি। মহাকা হায়-২০৪৭ তা ভারতপু চাউখৎপা লৈবাক অমা ওইহনবা হায়বসি লৈবাক অসিগী মীয়ামগী শরুক অনি থোকপগী অমবু শরুক য়াহল্লবা মতমদতা ওইথোক্কনি। মহাক্কী সরকার লাক্লবা মতুংদা লৈবাক অসিদা চাউনা অওনবা উবা ফংলে হায়নসু শ্রী মোদিনা মখা তাখি।

**কংগ্রেসঃ** কংগ্রেস পার্টিনা লাক্লিবা লোক সভা মীখলগী ভোট খোন্থা ঙরাং তেলঙ্গানাদগী হৌখ্রে। রাজ্য অদুগী রঙ্গারেদি জিলাগী তুকুগোরাদা পাঙথোকখিবা জন্ন যাত্রাদা এ.আই.সি.সিগী লুচিংবশিং-রাহুল গান্ধি, মুখ্য মন্ত্রি-রেবনান্ত রেদি অমদি অতৈ মন্ত্রি কয়ানা শরুক য়াদুনা কেম্পেইন অদু হৌদেকখি। থৌরমদুদা কংগ্রেসকী নেসনেল মেনেফেষ্টোল অদু তেলেগু লোলদা পুথোকখি। মদুদা তেলঙ্গানাগা মরী লৈনবা পোইন্ট ২৩ য়াওরি। থৌরমদুদা রাহুল গান্ধিসু ৱা ঙাংখি।

**রাজ্য সভা ঃ** বি.জে.পিগী প্রসিদেন্ট-জে.পি. নন্দানা অমসুং নৌনা সদস্য

ওইরবা অতোপ্পা মীওই মঙা ঙরাং রাজ্য সভাগী সদস্য ওইনা ৱাশক লৌখ্রে।

পার্লিয়ামেন্ট হাউসতা পাঙথোকপা থৌরম অমদা উপ রাস্ত্রপতি অমসুং রাজ্য সভাগী চেয়ারমেন-জগদিপ ধনকরনা মখোয়বু ৱাশক লৌখি। অতৈ সদস্যশিং অদুদি-বি.জে.পিগী অশোক রাও শঙ্কর রাও চাৱন অমসুং চুনিললাল গারাসিয়া, এ.আই.টি.সিগী সুসমিতা দেব অমসুং মোহমদ নাদিমুল হক অমসুং কংগ্রেসকী অনিলকুমার যাদব মন্দারিনি।

**কিল্ড ঃ** আইননা থিংখ্রবা সি.পি.আই. মাওইষ্টকী নক্সলাইট অহুম ছাতিসগরদা সেক্যুরিতি ফোর্সকা খুৎ থোকবদা লৈখিদ্রে।

পুলিসকা পাউনা হায়-বিজাপুর জিলাগী তেলঙ্গানাগগী ঙমখৈগা থংনবা অশুকপা উমং অমদা ঙরাং অযুক খুৎ থোকবগী থৌদোক্তা নক্সলাইটশিং অদু হাৎখিবনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

লাক্লিবা লোক সভা মীখল নকশিল্লকপগা লোয়ননা রাজনিতি দলশিংনা ভোট খোন্ববগী থবক কনশিল্লকপগী পাউ, ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ তোমতোমসনা ফানবা হোৎনরকপদা হৈরোক্তা মীয়ামগা মুকখিবগী পাউ, লোক সভা মীখলগী মাংওইননা গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহ ইম্ফালদা লাক্লবা য়াই, বঙ্গলাদেসতগী কুকি চিন টেরোরিষ্টশিং মরু ফংনা মুথৎনবা থবক লৌখৎনবা খঙহনখিবগী পাউনা ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউ ওইরি।

সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরিদা-লোক সভা মীখলগা মরী লৈননা হায়নবা য়াবা হায়নরি, হুন্নবা য়াবশিং হুন্নরি হায়বা বেন্নর হেদলাইনগা লোয়ননা ৱাকরশিং খক্তনা ভোট পীরকপদা কাগনি হায়বা মুখ্য মন্ত্রিগী ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি। গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহ মনিপুরদা লাক্লবা য়ারি হায়বা পাউ অহানবা লামাইদা ফোংলি। পাউ অসি মনিপুর ন্যুজ, সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস, পোকফম,

সনা লৈবাক অমসুং পিপলস ক্রোনিকলদসু অহানবা লামাইদা হেদলাইন তৌরি।

পোকফমদা-সি.এমগী ওফিস অসি মীয়ামগীনি হায়বা মিনিস্তরগী ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি পিপলস ক্রোনিকল, নহারোলগী থৌদাংদসু অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

কংগ্রেসকী মেনিফেষ্টোদা সেপরেট এদমিনিষ্ট্রেসন পীবগী ৱাফম য়াওদে, ৱাহন্থোক য়াওদবা প্রোপগন্দনি হায়বা প্রোফেসার-অঙোমচা বিমোলগী ৱাফম অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

পিপলস ক্রোনিকলদা-ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ-তোতোমসনা ফাবা লাকপা পুলিস পার্সোনেলশিংগা হৈরোক্কী মীয়ামগা মুকখ্রে হায়বা পাউ অহানবা লামাইদা ফোংলি। পাউ অসি হুইয়েন লানপাউ, মনিপুর ন্যুজ, সনা লৈবাক, ইম্ফাল ফ্রি প্রেস, ঈচেল এক্সপ্রেস, পোকফমদসু অহানবা লামাইদা ফোংবা থেংনরি।

হুইয়েন লানপাউদা-আর.এস.এসকী সর্ভে মতুং ইন্না লোক সভা মীখলদা বি.জে.পিনা সিট ২০০ শুনা ফংলোই হায়বা করনাতক্কাগী মিনিস্তর-প্রিয়াঙ্ক খর্গেগী ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি।

বঙ্গলাদেসকী হোম মিনিস্তরনা কে.এন.এফকী মথক্তা অকনবা ওপরেসন চথরগনি লাউথোকখ্রে হায়বা পাউ অহানবা লামাইদা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি অয়াম্বা পাউচেশিংদা অহানবা লামাইদা ফোংলি।

মনিপুর ন্যুজতা-লোক সভা মীখলগী মাংওইননা গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহ ইম্ফালদা লাক্লবা য়াই হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি পিপলস ক্রোনিকল, পোকফম, সঙাই এক্সপ্রেসকী এদিসন অনিমক, সনা লৈবাক্তা অহানবা লামাইদা ফোংবা থেংনরি। পোলিটিকেল পার্টি অমগী মেনিফেষ্টোদা মনিপুরগী এদমিনিষ্ট্রেসন সিষ্টেমদা কায়রকপা য়াবা ৱাফম য়াওরিবসি নৈনহৌবা চুমগনি হায়বা মুখ্য মন্ত্রিগী ৱাফম অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসতা-মীরেপ অনিনা মনিপুরগী ইরাং অসিগী মতাংদা

মখোয়গী ওইবা ৱাফম থমখ্রে। কেন্দিদেট মরি শরুক য়াখিদ্রে হায়বা পাউগা লোয়ননা ষ্টেটকী অশোয়বনা নহাশিং খুৎলায় পায়রকপনি হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

লোক সভা মীখলদা বি.জে.পিনা শোয়দনা মায় পাক্কনি হায়বা মুখ্য মন্ত্রিগী ৱাফম অনিশুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

সনা লৈবাক্তা-ভারত্তিয়া জনা পার্টিগী ৪৪ শুবা ফাউন্দেসন ডেগী থৌরম পাঙথোকখিবগী পাউগা লোয়ননা সি.এম. বঙ্গলোদা তিল্লিবশিং ভোটকী নত্তে, তান্নবা লাকপনি হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

প্রাইম মিনিস্তর নরেন্দ্র মোদি মনিপুরদা লাক্কনি হায়বা থাজনদ্রে। পুং খরগী খোঙচৎতা অমৃত সাহ এপ্রিল ১০ দা ইম্ফালদা লাক্কদৌরি হায়বা পাউনা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

ঈচেল এক্সপ্রেসতা-ইন্টরনেসনেল মীতৈ ফোরমনা শিনদুনা নো ইয়োর কেন্দিদেট পাঙথোকখ্রে হায়বা পাউগা লোয়ননা মতম অমদা লাইরিক হৈতবা ঠিকাদার খরনা ভোট লেপ্পী হায়নরম্মী, হৌজিকা অমুক লাইরিক হৈবনা য়ারোই হায়নরক্লি হায়বা প্রোফেসার-বিমোলগী ৱাফম এঙ্কর কলমদা ফোংলি।

ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা-য়ু ট্যুবর অমা পুলিস কষ্টদি য়ৌখ্রে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি। মফম কয়াদা থিবা হুম্বগী থবক চত্থরি, খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎখ্রে হায়বা পাউ অহানবা লামাইদা হেদলাইন তৌরি।

নহারোলগী থৌদাংদা-বঙ্গলাদেসতগী কুকি চিন টেরোরিষ্টশিং মরু ফংনবা মুত্থৎনবা থবক লৌখৎপা হৌখ্রে হায়বা পাউনা অনিশুবা হেদলাইন ওইরি।

মনিপুর মেলদা-সেক্যুরিতি ফোর্সনা বোম য়াওনা য়াল্লবা খুৎশু খুৎলায়শিং ফাগৎখিবগী পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি। লৈখিদ্রবা মেজর প্রিতমগী হকচাং ইম্ফালদা পুরকখ্রে। মিলিটরিগী মপুং ফাবা ইকায় খুমবা উৎখ্রে হায়বা পাউনা অনিশুবা হেদলাইন ওইদুনা ফোংলি।